**M–ESC–D–MNP**

# MANIPURI ( PAPER—II )

## ( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|

**QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS**

**Please read each of the following instructions carefully before attempting questions**

There are EIGHT questions divided in two Sections.

Candidate has to attempt FIVE questions in all.

Question Nos. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, THREE are to be attempted choosing at least ONE question from each Section.

The number of marks carried by a question/part is indicated against it.

Answers must be written in MANIPURI (Bengali script).

Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.

Attempts of questions shall be counted in sequential order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.

---

MANIPURI ( PAPER—II )

( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|

ৱাহংশিংগীদমক অখন্নবা ৱারোল

পাউখুম ইহ্রিঙৈদা মখাদা পীরিবা ৱারোলশিং অসি চেকশিন্না পাগদবনি

কাঙলূপ অনীমক (Section A and B) পূল্লগা ৱাহং নিপাল য়াওরি।

কেন্দিদেতশিংনা ৱাহংশিং অসিদগী ৱাহং মঙাগী পাউখুম পীগদবনি।

ৱাহং নম্বর **1** অমসুং **5** তি তঙাইফদনা খুমগদবনি। লেমহৌরিবা ৱাহং অহুম্না কাঙলূপ অনীমক্তগী অমমমদগী তাদনা খল্লগা পাউখুম পীগদবনি।

য়েৎথংবা লাপান্দা ইরিবা মশীংশিং অসি ৱাহংগী মার্কনি।

মণিপুরীদা (বাংলা ময়েক্তা) পাউখুম ইগদবনি।

পাউখুমগী অকক্নবা ৱাহৈ মশীং পীরম্লবদি মদু ইনগদবনি।

ইরম্লিবা পাউখুমশিং অদু মথং-মনাও নাইনা লৌগনি। শরুক খরদমক ইরম্লবসু মদু ককথৎলমদ্রবদি পাউখুম ওইনা লৌগনি। ৱাহংগা কোন্নবা পাউখুম চেদুদা (Question-cum-Answer Booklet) হাংহৌরিবা লামায়শিং অদু ময়েকশেংনা ককথৎলমগদবনি।

## SECTION—A

**1.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহে *150* দগী হেন্দনা খুন্মু : 10×5=50

(a) পাহোইবীবু অহানবদা করম্না নিংথৌগীদমক্তা হায়বা লাকখিবগে, মদুদা মহাক্না য়াখিদবগী মরম করিগীনো ইয়ু। 10

(b) খ্বাই নোংজেংবম পিবা য়েকমা হাওদংলানা কাপখিবদু করম্না নুমিৎনো, করিগীদমক কাপখিবনো ইয়ু। 10

(c) চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা জিলা চঙবগী থৌরাংশিং অদুগী মরমদা ইরকউ। 10

(d) চকপা মখাউ ঙম্বীবু মতৌ করম্না ঔৱাগী তোঙদোয় নিংথৌদা থাজখিবগে হায়বদু নীংথিনা ইরকউ। 10

(e) করিগীদমক মৈতৈ লৈমা খাবরোন নোংজেংশুনা মচাশিংগী মরক্তগী ফম্বাল তোংগদবা মীশকতি হোংনেময়োয় খুঞ্জাউনা ওইফম থোকই হায়রিবা করিগীনো ইয়ু। 10

**2.** ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খুদিংমক খুমগদবনি :

(a) খুমন নিংথৌ পুন্সিবনা মতৌ করম্না মমোম্ তাঙজা শম্ফবী হাৎখিবগী লম্মন খুমখিবগে ইরকউ। 20

(b) "লৈমা নীংথিবী অমতংবু নিংথৌ লৈকোয়ফম্বা নঙোন্দা কৎচগে হায়না পুরকপবু নদাইরেম ধোবা মপারী অনীমা অসিনা পূক্লিং ৱাথিদনা হুঙমলে, দণ্ডী মতীক ওকপবু পীনবিও।" ৱাকৎ অসিগী অচুম অরানগী পোলোই করি ওইখিবগে ইরকউ। 15

(c) "ৱাংঙম ঐদি অসি কোরও নুমিৎ মখেবু ঈপাম পোইরে লমতামলে ঈদু ৱাংঙম লমন তাল্লে। য়েংব চীংন খল লাম্ব শান তেল্লে।" ৱাংঙল্লোন অদু কনানো? মাগী মরমদা করি খঙবগে ইয়ু। 15

**3.** ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খুদিংমক খুমগদবনি :

(a) লৌশিং চাউবী, থৌনা ফবী পীতঙঙানা মপুরোইবগী থৱায় কনবা ঙল্লবসু মশাবুদি কনজবা ঙমখিদে, করি মরমগীনো নৈনৌ। 20

(b) তরানিপালশুবা চহীচাদা মতৌ করম্না মৈতৈরোলগী রামায়ণ ইখিবগে? অহানবা মশা (আদি কাণ্ড)গী মরমদা করি খঙবগে শম্না ইরকউ। 5+10=15

(c) 'পাহোইবী খোঙ্গুল'দা অশৈবনা পাহোইবীগী শক্তম য়েকপদা নুপী ওইবীগী নীংতম্বা অমদি নুংশিবগী মশক কদায় ফাওবা উৎপা ঙম্বগে ইয়ু। 15

**4.** ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খুদিংমক খুমগদবনি :

(a) 'থৌৱাম্বাবা হিরান' ৱাখল চাউবা মৈতৈ অশৈবশিংগী লমদমসিগী ইতিহাসতা শাগৎপা নীংথিরবা সাহিত্যগী খূৎশেমনি, নৈনরকউ। 20

(b) মতৌ করম্না ধনঞ্জয় লাইবু নীংবনা মাগী কায়নখ্রবা নুপী অমসুং মচাশিং অমুক হন্না উনবা ফংখিবগে ইরকউ। 15

(c) "ঈনু নুতমথীনা চকমোম খামপী মৈতান অরাপা অসিবু তমপা শমু ঈখুৎতা থুন্না হাপ্পা অসিপু তমপা ঐপু ঈপন ওন্দেও ঈদু য়ুমদা ওলৱাইও হায়পনরিঙেনে।" করম্না মতাংদা কনানা হায়খিবনো? ৱাফমসি হায়খিবগী মরী-মখোঙ লীরকউ। 5+10=15

## SECTION—B

**5.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুন্মু : 10×5=50

*(a)* 'ঈঙাগী নোং'দা ঈশিং ঈচাওদা তাউথরক্লিবা লায়রবগী ফদীফরা অমসুং মহাজনগী ধূপ কন্বীগী শক্লোনশিং অসিদা অইবনা করি হায়নীংলিবগে, ইয়ু। 10

*(b)* শ্রীকৃষ্ণনা মধুপুরী পাংনা চৎপগী লম্বীদা রাধিকানা সখীশিংগা লোয়ননা দোলায় থিংবগী মতাংদু শৈথারকউ। 10

*(c)* ''ঙসিমখৈ চীংদা হৌবী লৈরাং লৈপান্না তমগী তলা উরৈদা তাংজফম ফংখ্রে।'' ৱাফমসিনা হিজম গুণগী 'লমন'গী মরুওইবা পান্দম কদায় ফাওবা ফংবা ঙম্নবগে হায়বদু ইয়ু। 10

*(d)* ''ঐগী আদর্শদি মীনা হিংবদসু মতীকচাবা, শিবদসু মতীকচাবা আদর্শনি।'' করম্বা আদর্শনো? মসিনা মালেমদা লান তোকহন্নবা হোৎনবদা করি মতেং ওইগদগে, খুন্মু। 10

*(e)* ''নুপী অনী অসি অমনা অমগী অচেংবা ঙাইনবগী তাঞ্জা তাল্লুমদুনা লৈনরে।'' তাঞ্জা অদু কেরাণী চাউবগী যুমদা করম্না লাকখিবগে নীংথিনা লীরকউ। 10

**6.** ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খুদিংমক খুমগদবনি :

*(a)* মীওইবগী মমল সার্টিফিকেটতনা লেপ্পসি তোঙ্ৱানা চুম্মি হায়না লৌৱা? মেট্রিক সার্টিফিকেটতবু লুনা লৌজবা থারিকথাগী পুন্সি করি ওইখিবগে ইরকউ। 20

*(b)* ''অদুদি লৈপরেং অদু করিগী অদুক চেকশিন্না লেংবগে? করি তৌদুনা মিত্তগী পি শিন্থবগে।'' ৱাহংসিগী পাউখুম করম্না পীখিবগে অমদি মখাতাবা থৌদোকশিংদু নীংথিনা লীরকউ। 15

*(c)* থাংজিং কোইরেন নিংথৌগী লৈলাংবগী চৎনবী করিনো হায়বদু তাক্লগা নোংবান্না লৈলাংবগী থৌদোকশিংদু লীরকউ। 15

**7.** ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খুদিংমক খুমগদবনি :

*(a)* ''অইবনা মহাক্কী কলাগী খূৎশেম ফাওবদা সমাজগী চৎনবীগী লীপূনদগী মনীংতম্বা ঙমখিদে।'' হায়বদু অঙাংহলগী জহেরাদা কদায় ফাওবা মঙাল তাবগে নৈনৌ। 20

*(b)* ডা. কমলনা 'বিশ্বপ্রেম'দা অশেংবা প্রেমিক অমগী মশক করম্না তাকপগে ইরকউ। 15

*(c)* ''থৌদোক অসিগী মরমদা মী পূম্নমক দিনমণিগা মাগী নুপীগবু থীনা ঙাংনৈ। অদুবু অওইবা ৱাদি কনাসু খঙবা ঙমদে।'' থৌদোক অদু করিনো? অশেংবা ৱাদু করিনো লীরকউ। 5+10=15

**8.** ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খুদিংমক খুমগদবনি :

*(a)* 'জর্জ্জ সাহেবকী ইমুং'গী খ্বাইদগী মরুওইবা মূক্রবা অসি করিনো? অসিগুম্বা মান্নদবা মীয়েংশিংদু করম করম্বা শক্তম (চরিত্র)শিংগী মপান তাংদুনা শাগৎপগে নৈনৌ। 20

*(b)* মণিপুরী সাহিত্যদা 'ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম' খূৎই অমসুং খূৎলাঙ্হোকতা পূমনৌ নৌবা মখলগী উপন্যাসনি হায়বসি খুদম পীদুনা নৈনৌ। 15

*(c)* কলাবু কোমর্সিয়েল আর্ট অমসুং ফাইন আর্ট হায়না মখল অনী থোকহল্লিবসিগী মরুওইবা মরমশিং ইরিক নিয়ুটনগী মীৎয়েং মতূংইন্না নৈনৌ। 15

★★★